**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 03-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) থৌবাল জিলাদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফাখিবা মীওই অনি ঙসি অয়ুক অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোরকখ্রে। মখোয় হৌজিক মণিপুর পুলিসকী কষ্টদিদা লৈরি।

২) মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা লৈরিবা ত্রাইবেল জাতিশিংবু চাওখৎহন্দুনা হেন্না শক্তি পারবা মতমদতা চাওখৎপা ভারত অমা ওইবগী মঙলান অদু মঙফাওনগনি।

------

রিলিজ (এল)ঃ ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন্না লৌবা জি.দি. রিক্রুটমেন্ট টেষ্ট য়াওবা চৎখিবা নহা অনি ঙসি অয়ুক থাদোরকখ্রে। মখোয় হৌজিক মণিপুর পুলিসকী কষ্টদিদা লৈরি।

নিংশিংবা য়াই, মমাং থাগী তাং ২৭ তা থৌবাল জিলাদগী মীওই অহুম নিউ কৈথেলমানবীদা রিক্রুটমেন্ট য়াওনবা চৎপদা মীওই অমা থাদোরক্লবা মতুং মখোয় অনি কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফাজিনদুনা থল্লকখিবনি। নহা অনি অসিবু অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোকবা মাইকৈ কয়াদগী আপীল তৌদুনা লাকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা রাজ্যগী দি.জি.পি কাংপোকপী জিলাদা থাদুনা নহা অনি অসিবু থাদোরকবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতুনা

লাকখিবনি। ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউ গুনগুন সিংসিৎনা থোইথোই অমসুং থোইথোইবা ঙসি অয়ুক অঙনবদা কাংপোকপীগী এস.পিদা খুৎশিন্নরকখিবনি হায়রি।

চাউরেল হৌবা (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লি। চহি খুদিংগী মেরাগী নোংম পানবা অসিবু মেরা চাউরেল হৌবা হায়না পাঙথোক্কুনা লাক্লি। মপুংওইবা থৌরম লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা ঙসি অয়ুক পাঙথোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা লুচিংদুনা বোর্দকী মেম্বরশিং অমদি অমাইবা অমাইবীশিংগা লোয়ননা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎকনি। খোঙচৎ অদু ইম্ফালগী হয়িং খোঙবালদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী লাইশঙদগী হৌরগা ইম্ফালগী কৈশামপাৎ, কাংঙবম লৈকাই, ৱাহেংবম লৈকাই, উরিপোক অমসুং খ্বাইরমবন্দ কৈথেল অহুম ফাওদুনা চৎলগা কংলাদা পন্থুংফম ওইগনি। কংলাদা লাইগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

উখ্রুল (এল)ঃ উখ্রুল জিলাদা খুল অনিগী মরক্তা উংখৎনবা থোক্লিবা অসি ৱারী শান্নদুনা লোইশিন্নবা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)না আপীল তৌরক্লি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা হায়- খুল অনিগী মরক্তা লমগী ৱাথোক্না মরী লৈননা খুৎন-চৈনবা থোকপদগী মীওই অনি লৈখিদবা অমসুং মীওই ৪০ হেন্না অশোক অপন নংখিবা থৌদোক অসি লাইবক থিবনি। ইন্তরনেসনেল নন-ভাইওলেন্স নুমিৎতা অসিগুম্বা থৌদোক থোকপা হায়বসি লাইবক থিবনি। সরকারনা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা থবক লৌখৎপীনবা আপীল তৌরক্লি।

চান্দেল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা শিন্দুনা নিতি আয়োগকী সমপুরনাতা অভিয়ানগী অরোইবা শরুক সম্মাপন সমারোগী থৌরম ঙরাং জিলা অসিগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি চহি অসিগী জ্লাই থাদগী হৌরগা সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা চথখিবনি। জিলা অসিগী এ.দি.সি- এম.দি. ফিরোজ খান্না অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংদা সার্তিফিকেট য়েন্থোকখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস চান্দেলনা লৌমীশিংদা থানবা মরু মরাং অমদি হিদাক কাপথোকবা মেছিনসু য়েন্থোকখি।

নোনে (এল)ঃ স্বাচ ভারত দিবসকা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা লম তু শেংবগী থৌরম অমা নোনে দি.সি. ওফিসকী অকোইবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে। নোনে পি.ঐচ.দিনসু থৌরম অসি নোনে পুলিস, লোংমাই বজার বোর্দ, বেঙ্কশিং, লোংমাই বজার য়ুথ ক্লব অমদি অতৈ মীওইশিংগা লোয়ননা লোংমাই বজার অমদি ইজৈ তুরেলগী পরিংদা লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখি।

ফেরজোল (এল)ঃ ফেরজোল জিলাদসু স্বাচ ভারত দিবস ফেজোল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা লম তু শেংবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি- টি. লালবোই হাওকিপনা লুচিংদুনা এস.পি. ওফিসকী অকোইবা মফমশিং অমদি ওফিস অসি তাবা লন্বী শেংদোকখি।

তেংনৌপল (এল)ঃ স্বাচ ভারত দিবস দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি.সি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা প্রধান মন্ত্রি জনজাতিয়া উনৎ গ্রাম অভিয়ান হৌদোকখি।

খোঙচৎ (এল)ঃ   মণিপুরগী মপানদা মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যবু নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা মমাং থাগী ২৯ দগী নুমিৎ হুমি চুপা নোংচুপ বঙ্গলাগী দুর্গাপুরদা চৎলুবা সাহিত্য থৌপাং লুপকী শক্তাক খোঙচৎ মায় পাকা ইম্ফালদা হল্লকখ্রে। মীওই ১৬ না শরুক য়াখিবা খোঙচৎ অদুদা মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যবু ময়েক শেংনা খঙহল্লমখি।

কেম্প (এল)ঃ   বেথেসদা ফাউন্দেসন ফোর ৱিমেন এন্দ চাইল্ড ইম্পৱারমেন্ট নোনেনা শিন্দুনা- ৱি সার্ভ বিকোজ ৱি কেয়ার হায়বা থিমদা নোংবগী ওইবা লেম া লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং লোক্তাক প্রোজেক্টকী নিউ কানান ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ১০০ হেন্না লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকসু লেমা পীখি।

নোং (এল)ঃ    অৱাং নোংপোক থংবা অসাম অমসুং য়ুমলোন্নবা মফমশিং সমুদ্রগী লৈমায়দগী কিলোমিতর ৪ মখায় ৱাংনা নোংলৈ নুংশিৎ হৌরকপা অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা রাজ্য অসিগী মফম খরদা অখাক অরাউগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি।

মরক অসিদা ইন্দিয়া মেট বিভাগনা সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম, তামিলনাদু, পুদুচেরি অমসুং কেরলাগী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। লাক্লিবা চয়োল অমসিদা নোংচুপ বেঙ্গল, সিক্কিম, বিহার, ওরিষা, ঝারখন্দনচিংবা মফমশিংদা ময়াই ওইরপ্তুগী কল্লপ নোং চুগনি।

ত্রাইয়েল (এল)ঃ অমোফা একাদমি মোইরাংনা চহি ১৩ অমদি চহি ১৫ গী মখাগী মরুওইবা তুরনামেন্টশিং থোকবগীদমক টিম শেমবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৩ গী অয়ুক পুং ৭ তা চেঁঙে লম্পাক মোইরাংদা পাঙথোক্লগনি।

মোইরাং সব-দিভিজনগী মনুংদা লৈবা য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা একাদমি অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা লৈরিবা ত্রাইবেল জাতিশিংবু চাওখৎহন্দুনা হেন্না শক্তি পীরবা মতমদতা চাওখৎপা ভারত অমা ওইবগী মঙলান অদু মঙফাওনগনি।

ঝারখন্দদা হজারিবাগতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৮৩,৩০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবা অমসুং যাত্রা হুনখি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা লুপা কোতি লিশিং ৭৯,১৫০ চংনা পায়খৎকদবা ধরতি অবা জনজাতিয়া গ্রাম উৎকরস অভিয়ান অমসুং প্রধান মন্ত্রি জনজাতি অদিবাসি নিয়াই মহা অভিয়ানগী মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং য়াওরি। মসিগী মথক্তা প্রধান মন্ত্রিনা একলব্যা স্কুল ৪০ শঙ্গাখি অমসুং স্কুল ২৫ শানবা যাত্রা হুনখি।

থৌরম অসিগা হজারিবাগদা লৈবা বিনোবা ভাবে য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎকদৌরিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অসিনা ত্রাইবেল জাতিশিংদা হেন্না কান্নহনবগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী খুঙ্গংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি। মহাকা হায়- হৌদোক্লিবা স্কিমশিং অসিনা ত্রাইবেল মীওই কোতি ৫ রোম কান্নবা পীরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

উখ্রুলদা লমগী ৱাহৌদগী খুৎ থোকবা এম.আর পার্সোনেল অমা য়াওনা মীওই অহুম শিরে, ৪০ শোক্লে, ফাজিনখিবা নহা অনি থাদোরকবা তকশিনবগী পাউ অমসুং জেনেরেল ষ্ট্রাইকনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা চৈথেং পীখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

উখ্রুলদা খুল অনিগী খুঞ্জাশিং খৎনরকপদগী এম.আর পার্সোনেল অমা

য়াওনা অহুম শিরে, ইরাং লাকশিন্নবা সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে, ইন্তরনেট থিংজিনখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- হিংশানা শান্তি পুরকপা ঙমলোই, ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনমিন্নশি হায়বা সি.এমগী ৱাফমনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী অরোনবা এজেন্দ লৈব্রা, মদুগী মখাদা মণিপুরগী মীয়াম কয়াম কুইনা ৱাহনগদৌরিবনো হায়না ও. ইবোবীনা ফোংদোরকখিবা ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- ইসু খুদিংমক ৱারী শান্নরগা লোইশিনশি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইন্দিয়াগী জিও পোলিতিক্সনা মীয়ামগী লন থুম অমসুং পুন্সি কনবা ঙমদ্রবদি থৌশিল হোংদোকপীরো হায়না শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট ডাঃ তোম্বীনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা ঈচেল এক্সপ্রেসকী এনকর কলমদা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- উখ্রুল থৌদোক খুদক্তা কন্ট্রোল তৌনবা সি.এম.না ইন্সত্রক্সন পীখ্রে, লৈখিদ্রবশিংদা এক্স-গ্রেসিয়া অদুগা অশোকপশিংদা শেলগী মতেং পীরগনি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জেনেরেল ষ্ট্রাইকনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা চৈথেং পীখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

পাউচে অসিগী ইংলিস ইদিসনদনা য়ু.এন.সিগী টোটেল সটদাউন হন্দোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মান্নবা মওংদা পিপলস ক্রোনিকলদা য়ু.এন.সিগী পুং ৪৮ গী বন্দ হন্দোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি।

নাগাগী মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এ অনিনা উখ্রুলগী মীয়ামদা ইরাং তৌবীদনবা আপীল তৌখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা- হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা আর্মি চীফনা দ্রোন বোম্বিং অমসুং ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেসনগী মতাংদা থমখিবা ৱাফম য়ু.সি.এমনা

য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা পাউনা মরুওইবা হেদলাইন ওইরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসনা ৱারী শান্নশি হায়রকপদগী য়ু.এন.সিনা কৌরম্বা মণিপুর বন্দ হন্দোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাহমসতা- ইরান্না ইজরেলদা মিসাইল ২০০ কাপশিনখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------